**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-11-2025)**

**মনিটেক্স (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চগুগদবা মনিপুর ইন্টরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মনিটেক্স) ২০২৫, ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকখ্রে।

রাজ্যগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা হায়-টেক্সতাইল কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি বিভাগনা কেপাসিতি বিল্ডিং, দিজাইন্দ অমদি মপান লমদা পোৎ-চৈ থাদোকবগী মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা মেদ ইন মনিপুর ওইহন্নবা থবকশিং পায়খৎলি।

মহাকা হায়-মনিপুর অসি কুইরবা মতমদগী ফিশাবীশিংগী লম ওইনা খঙনরক্লি। রাজ্য অসিদা মহৌশাগী অমসুং খুৎ-শা হৈবগী লমশিং পুন্না চৎলি অমদি পোৎথোকশিং অসিদা চৎনবীগী মমি চাউনা তারি। এক্সপো অসিনা লমদম অসিগী আর্টিসিয়ানশিং অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুরশিংগী পাক চাউরবা মফম অমা পীদুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু উৎতুনা মালেমগী থাক্তা মনিপ্‌রগী ব্রান্দ অসি মমিং চৎহনবদা মতেং ওইরগনি।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়ল, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায় অমদি খুৎশা-হৈবগী লমদা পদ্মশ্রী মনা ফংখ্রবা আর্টিসিয়ানশিং য়াওবা থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা নেসনেল হেন্দলুম দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ফিশাবীশিংদা ফিশাকোন লিশিং ৩ রোম য়েন্থোকখি। মসিগী মথক্তা ট্রেন্নিং লোইরবা আর্টিসিয়ান ৬০ খুৎশু খুৎলায় লৈনবা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখি। রাজ্যপালনা মনিপুরগী ওইনা নেসনেল অমদি ষ্টেট এৱার্দিশিংগী দাটা বুক অমসুং হেন্দলুম অমদি টেক্সতাইলগী কেলেন্দরসু পুথোকখি। তুংদা, রাজ্যপালনা স্তোলশিং চৎতুনা য়েংশিনখি।

এক্সপো অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমিদাং মনিটেক্স ফেসন ব্রিক পাঙথোকখি। চনু ক্রিয়েসন্সকী ইন্দিরা ক্ষেত্রিময়ুমনা পুথোকপা মনিপুরগী নাৎ অমসুং চৎন-লোনচৎকা শগোন্নরক্লবা অরিবা ফিরোলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা-'দা লুম ওফ লাইট এন্দ সেদো' উৎখি।

নোংপোক নহাগী ফোল্ক বেন কাংবুনা শকপা ঈশৈ অমসুং লুক্রম বসন্তনা পুথোকপা 'বসন্ত চরৈ নমখাং'সু ঙসি অহৌবা নুমিৎকী নুমিদাংগী থৌরমশিং ওইনা পাঙথোকখি। এক্সপো অসিদা পুন্না স্তোল ১০০ হেন্না হাংলি। মসিগী মথক্তা মপান লৈবাক্কী বাইয়র ১৬ রোমনা শরুক য়ারি। নুমিৎ মঙানি চথুগদবা এক্সপো অসিদা দিজাইন্দ ৱার্কশোপ, সেমিনার, ত্রেন্নিং অমদি হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী লমদা খঙ-হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংগনি।

**এনআইটি (এল)ঃ** তন্বী তাকপীবা, পাবা অমসুং রিছার্সকা লমদা এ.আই. ইন্টিগ্রেসন হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ৱার্কশোপ, ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিদা হৌখ্রে।

ৱার্কশোপ অসি নোর্থ ইষ্ট আউটরিটচ প্রোগ্রামগী মখাদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না শিনবনি। ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, ফেক্লতি মেম্বরশিংবু এ.আইনা সপোর্ট তৌবা তাকপী তন্বীবগী মওং মতৌগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। ৱার্কশোপ অসিগী শরুক অমা ওইনা খন্ন-নৈনবা দেমোন্সত্রেসন, প্রোজেক্ট ৱাকনচিংবা পাঙথোক্কনি। মসিদা পুন্না এন.আই.টিগী ফেক্লতি মেম্বর ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসনগী মখাদা জিরিবামগী বিদ্যানাগরদা লৈবা কেসিয়ুনত দিবলপমেন্ট ওফিসতা ঙসি নীংথম মরু-মরাংশিং লৌমীশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

মীসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর স্কিমগী মখাদা

য়েন্থোকখিবা নীংতম মরু-মরাংশিংগী মনুংদা তিলহৌ, কোবি লৈ, কোবি মনা তাবী, কোবি মখোং তাবী অমসুং মঙ্গলনচিংবা য়াওরি।

থৌরম অদুদা কেসিয়ুনত দিবলপমেন্ট ওফিসকী-ওফিসার-ৱাই. প্রদিপনা মরু-মরাংশিংং অসি চাথোক লৈনা অমদি নিয়ম চুমা থাবীনবা বিনিফিসরিশিংদা আপিল তৌখি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ত্রাইবেল ফ্রেমস মনিপুরঃ নেসনেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল-২০২৫ কম ষ্টেট লেবেল ত্রাইবেল কারনিভেল ফেষ্টিবেল থা অসিগী ১২ দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টর অমসুং মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস) তা পাঙথোক্কদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ফোরেষ্ট হেদক্কাটরসতা পাঙথোকখিবা পাউমী মীফম অমদা রাজ্য সরকারগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না হায়-ফেষ্টিবেল অসি জন জাতিয়া গৌরভ ভরস পালন থৌরমগা মরী লৈননা শিনবনি। থৌরম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল কাংলুপশিংগী ওইবা নাৎ-চৎনবী, মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া অমদি ত্রাইবেল সিনেমাবু হেন্না য়োকখৎপা ঙমহল্লগনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা মনিপুর, নাগালেন্দ, অসাম, মেঘালয়, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেস, মহারাস্ত্র, উরিষ্যা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলবু শক তাকপা ত্রাইবেল ফিল্ম পুন্না ২৩ উৎকনি। ফিল্মশিং অসিগী মনুংদা-ফ্যুচর ফিল্ম তরুক, দোকুমেন্টরি ফিল্ম অনি, সোর্ট ফিল্ম ১৪ অমসুং এন্যিমেসন ফিল্ম অমা য়াওরি।

**ককচিং (এল)ঃ** জ্দিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস কম সিভিল জজ জ্নিয়ার দিভিজন-ককচিংগী লমজিং মখাদা ককচিং দিষ্টিক্ট বার এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী মেরি ইমাকুলেট কেথোলিক স্কুল অমদি দা রোয়ল ব্রাইটর একাডমী হয়ার সেকেন্দরি স্কুলশিংদা পোক্সো এক্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস পাঙথোকখ্রে।

মসি হৌখিবা জ্লাই থাগী ১২ দগী হৌনা হীরম অসিগী মতাংদা চথুরকখিবা কেম্পেইনগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা পোক্সো এক্ট ২০১২ অমদি প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিজ এক্ট ২০০৬ কী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা ললিত কালা সঙ্গম, ইম্ফালনা শিনদুনা হিন্দুস্তানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী মতাংদা নোংমগী ওইবা লেকচর কম দেমোন্সত্রেসনগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ললিত কালা সঙ্গমগী সেক্রেটরি-লাইময়ুম দেবেন্দ্রজিৎ শর্ম্মনা হায়-ইনখৎলক্লিবা মীরোলশিংদা শাস্ত্রা সঙ্গিত, হিন্দুস্তানি ক্লাসিক ম্যুজিককী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী আর্টিষ্ট অমদি ললিত কালা সঙ্গমগী মশক নাইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**আইদিপি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈননবা নোংমগী ওইনা মীওই অমদা লুপা ৮৪ পীগনি হায়না ওর্দর থোকখিবা অসিবু আই.দি.পিশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী

লুপশিংনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইং ২০২৩ গী জন্ ৯ দা রাজ্য সরকারনা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না আই.দি.পিশিংগী নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং লৈনবা নোংমগী মীওই অমগী ওইনা লুপা ১০০ পীগনি হায়খি। হুকুম অসিগী মতুং ইন্না আই.দি.পিশিংদা নোংমদা মীওই অমগী লুপা ৮০ অমসুং চেং গ্রাম ৪০০ পীদনা লাকখি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-রাজ্য সরকারনা হন্দক থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না নবেম্বর থাগী ওইনা নোংমগী মীওই অমদা লুপা ৮৪ পীরকপদা আই.দি.পিশিং অৱাবা কয়া মায়োকরে। মরম অসিনা, রাজ্য সরকারনা থোক্লিবা হুকুম অসিগী মতাংদা কুপা য়েংশিনবীদুনা আই.দি.পিশিংগী অৱাবা য়েংবীদুনা হান্না পীরম্বা শেনফম পীবিনবা আপিল তৌরক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা চেল্লিবা রেলগাড়িশিং মরুওইনা বন্দে ভারত, নামো ভারত অমসুং অমৃত ভারতনা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী অনৌবা মায়ওন অমগী য়ুম্বী ওইরি।

ৱাফম অসি ভরচুয়েলগী খুত্থাংদা উত্তর প্রদেসকী বরানাসিদগী অনৌবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি মরি লমথারবা মতুংদা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা বরানাসি রেলৱে ষ্টেসনদগী বনারস-খাজ্রাহো বন্দে ভারত রেলগাড়ি য়াওনা অতোপ্পা বন্দে ভারত রেলগাড়ি অহুম লৈবাক মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহন্নবা অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং হেন্না নকশিনহন্নবগী পান্দমদা রেলগাড়িশিং অসি লমথাখিবনি। রেলগাড়িশিং অসি লক্ষনৌদগী সহারানপুর ফাওবা, ফিরোজপুরদগী দিল্লি অমসুং ইরনাকুলমদগী বেঙ্গলুরু ফাওবগী লম্বীশিংদা চেনগনি।

থৌরম অদুদা রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনো, উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ মোদিনা হয়েং উত্তরাখন্দদা চৎতুনা রাজ্য অদু শেমখিবা চহি ২৫ শুরকপগী সিলভর জল্লি থৌরমদা শরুক য়াগনি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা কোমেমোরেটিব পোষ্টেল স্তাম্প অমা পুথোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম লোয়গদবা নুমিৎ নিনিখক্তা ঙায়শিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোম্বগী থবক পনে দাম লোম্লে।

রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সিতামরহিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা হায়-এন.দি.এনা চাউখৎ থৌরাং খক্তদা মীৎয়েং চংবা খক নত্তনা বিহারগী হেরিটেজশিংবু ঙাক শেন্নদুনা থম্বদা মীৎয়েং চংলি। মহাকা হায়-নিতিশ কুমারনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী মখাদা বিহার মীয়ামগী থাজবা অদু অমুক হন্না শেমগৎপদগী শেল থাদবা মীওই কয়া রাজ্য অদুদা লাকপা হৌরে।

বেতিঅহদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শ্রী মোদিনা হায়-মীখলগী কেম্পেইন অসিদা বিহারগী পান্দমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। এন.দি.এগী দবল ইঞ্জিন সরকার অসিনা তুংদা পায়খৎকদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লি।

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু পুরনিয়াদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি। মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার, উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথসু মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেস লুচিংবা প্রিয়াঙ্কা গান্ধি, বিরোধিগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা তেজশ্রী যাদবসু মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি। অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোট

থাদনগনি।

**সংসদঃ** পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্‌না হায়রি-সংসদকী নীংথম মীফম দিসেম্বর অমদগী ১৯ ফাওবা চথরগনি। মসিগী মতাংদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা অয়াবা পীখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী রিজিজ্‌না হায়-মীফম অসি কান্নবা অমসুং আর্থ লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বশিং থুংহনবা ঙমগনি।

**জদোনং (এল)ঃ** ১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা এস.কে.ৱাই.সি. শওম্বুং অমসুং এন.ৱাই.সি. নমথাংলোং হৌজিক শান্নরি।

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা লোয়শিনবগী থৌরমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ শরুক য়ারি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেননা হায়-শান্ন খোৎনবনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইবগা ৱাখল্লোন শাগৎহনবা, মশা-মঙ ফনা লৈহনবা অমসুং নহারোলশিংবু নিশাগী পোৎলমশিংদগী লাপা লৈহনবদা চাউনা মতেং ওইহল্লি।

**পোলোঃ** অসাম রাইফলস পোলো টিম (এ) না ৩৮ শুবা এন. হজারি অমসুং ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট-২০২৫ লৌরে।

মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ফাইনেলদা অসাম রাইফলসনা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-৫ দা থোইখিবনি।

**ফেন্সিং (এল)ঃ** মনিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শিনদুনা খুন্মন লম্পাক ইম্ফালগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা ২৭ শুবা সব জ্নিয়ার নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোয়শিনখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা নুপামচাগীদা মনিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে। রন্নরস অপনা হরিয়ানাদা তারে।

নুপীমচাগীদা হরিয়ানা টিম চেম্পিয়ন অমসুং রন্নরস অপনা পঞ্জাবনা তারে।

**ক্রিকেট ঃ** গুজরাটকী অনন্দা লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা রনজি ত্রোফি প্লেটকী মেটচ অমদা মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন অমসুং ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ মিজোরাম শান্নরি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনবা ফাওবদা মনিপুরনা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-২০১ লৌরি।

**ফুটবোলঃ** অহুমশুবা থোকচোম ইবোপীশক সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লিগ-২০২৫ গী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা-রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা নুংশাই চিরু য়ুথ ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-খা পোৎশংবম ফুটবোল ক্লবনা তাইদাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনদুনা দি.এস.এ. প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এফ.সি. সোরানা এম.ৱাই.সি. ৱাইখোংবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.জি.সি. লাংমৈদোংনা পি.ৱাই.সি. কৈরকপু

পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** কন্সটেবল দিপক চিংঙাখম মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল অন্দর ফিফতিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লমলোং তর্ব গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নেসু-খুরাইনা পান্দমবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱেষ্টর্ন কলেজনা এম.আই.টিবু পাঞ্জল ৬-১ দা, খা-মনিপুর কলেজনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিবু পাঞ্জল ৭-০ দা অমসুং পোল ষ্টার কলেজনা বিরমঙ্গোল কলেজপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।